

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, DECEMBER 10, 2018 **PAGE 7**



ইন্দিয়া এগী মায়কৈদগী আওট ওইদনা রন ১১১ লৌদুনা ন্যু জিলেন্দ এবু মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌবদা চাওনা মতেং পাঙখিবা বেটসমেন মনিস পান্দে

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী কোচ ওইনবগীদমক এপ্লিকেসন থাজিল্লকখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী হান্না বেটসমেন ওইরম্বা হর্সেল গিব্বস

### *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯*

## বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং মুম্বাই সিটি এফসি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে



*বেঙ্গালুরু এফসিগী উদান্ত সিংহ (ওইদগী ২শুবা)না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং মুম্বাই সিটি এফসি ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফসিগা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্টিরভা ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি অমসুং মুম্বাই সিটি এফসিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদগী লম্বা মান্নখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই বেকিনা মুম্বাইগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকপা ক্রোস অমদা মণিপুর মচা উদান্ত সিংহনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল ওইহন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইসোকোনা বেঙ্গালুরু এফসিগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকপা পাস অমা টিমমেট সেনেগাল মচা মোদৌ সৌগৌনা নীংথিনা বোল অদু কলেক্ট তৌরগা বেঙ্গালুরু এফসিগী গোলকিপর মায়থিবা পীরম্লগা পাঞ্জল চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা মমাঙদা য়েল্লো কার্দ ফংখ্রবা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোই সেহনাজ সিংহ চৎন–পথাপকী ৱাংমদা অমুক হন্না ফাওল তৌরুবগীদমক রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী মুম্বাইগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা শান্নরোই অমা মশীং হেল্লগা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাক্লুবসু মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী ২শুবা ইদিসন মথং চহীগী জনুৱারী ৯ দগী হৌরগনি

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংবু মালেমদা হেন্না মশক নাইবা অমা ওইনা উৎননবা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী অনীশুবা ইদিসন মথং চহীগী জনুৱারী ৯ দগী হৌরগা ২০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরনা ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লোঞ্চ তৌখি।

অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসকী ‘খেলোগে কুদোগে বনোগে লাজ ৱাব’ হায়বা মেসেজ অসিনা হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংবু নুমিৎ খুদিংগী শান্নহনবগী পান্দমনি। মসিনা চহী হোংলকপা খুদিংগী নহাশিংদা অনৌবা থৌনা অমা পীখিবনি।

অহানবা হৌদোকখিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অদুদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্ধন সিংহ রাথোরগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোই মনু ভাকর, জেরেমী লালরিননুঙ্গা, সৌরভ চৌধারি, লক্ষ্য সেন ইসা সিংহ, তবাবী দেবী অমসুং শ্রিহরি নাত্রাজনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি।

মহারাষ্ট্রগী সিটি পুনেদা লৈবা শ্রী সিব ছত্রপতি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মথং চহীগী জনুৱারী ৯ দগী ২০ ফাওবা চথগদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস অসিদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৭ তগী লাকপা নহা ওইরিবা শান্নরোই ১০,০০০ হেনবনা চহী কেটেগোরি অনীদা হায়বদি চহী ১৭ মখা অমসুং চহী ২১ মখাদা অথোই–অহেন তান্নগনি।

অনীশুবা ইদিসন অসি ষ্টার ইন্দিয়ানা লোল ৫ দা কোভরেজ তৌগনি। চহী কাঙলুপ অনী অসিগী দিসিপ্লিন ১৮ দা টেলিকাষ্ট তৌগনি হায়রি।

## লিওনেল মেসিগী পাঞ্জল অনীনা মতেং ওইরগা বার্সেলোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, মেঞ্চেষ্টর সিটি চেলসিগী মখূত্তা মায়থিখ্রে



*বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*মাদ্রিদ। লন্দন, দিসেম্বর ০৯ঃ*

স্পেনদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগা ফুটবোলদা আর্জেন্টিনাগী ষ্টার লিওনেল মেসিগী পাঞ্জল অনীনা মতেং ওইরগা বার্সেলোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইংলেন্দগী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা চেলসিনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মায়থিদনা লাকখিবা পরিং অদু লোইশিনহনখ্রে।

বার্সেলোনা অমসুং ইস্পানিওলনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হৌবদগী বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাখি।

২৬শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ওসমানে দেম্বেলেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা ইস্পানিওলদগী মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা উরুগ্বে মচা লুই স্বারেজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা বার্সেলোনানা ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ইস্পানিওলবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা চেলসিনা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা লীগ অসিদা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদনা লাকখিবা পরিং অদু লোইশিনহনখি।

মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এন’গোলো কান্টেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম খরা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা দেবিদ লুইজনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু চেলসিনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা লৈকেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইরমখি।

## ইন্দিয়া এ না ন্যু জিলেন্দ এবু ৱিকেট ৫ দা থোইদুনা সেরিজ লৌখ্রে

*মাউন্ট মাউঙানুই, দিসেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়া এ অমসুং ন্যু জিলেন্দ এনা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু ৱিকেট ৫ দা থোইদুনা সেরিজ ২–০ দা লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ন্যু জিলেন্দনা অহানবা বেট্টিং তৌরকপদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৯৯ লৌবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন জোর্জ ৱাক্করনা লৌরম্বা রন ৯৯ অমসুং ৱিল য়ংনা লৌরম্বা রন ১০২ অদুনা মপুং ওইরগা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অসি রন ২৯৯ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই সেরিজ অসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু মায়থিবা পীরম্বনি। মেটচ অদুদা ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াগী মথক্তা রন ৩০৯ লৌবগী টার্গেট থমখিবনি।

ইন্দিয়ানা রন ৩০০ লৌনবগী টার্গেট লৈখিবা অদু লৌননবা শান্নরকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা মায় পাকপগী রন লৌবা ঙমদুনা সেরিজ অদু ২–০ দা লৌখিবনি।


ইন্দিয়া এগী কেপ্টেন মনিস পান্দেনা ইন্নিংস অদুদা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা আওট ওইদনা রন ১১১ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৫ য়ৈরমখি।

ক্রোসৱার্দ ৬গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | L | M | S | | S | L | I | C | E | | G | O | A | D |
| R | I | O | T | | T | E | N | O | R | | A | N | T | E |
| I | S | L | E | | R | E | C | R | E | A | T | I | O | N |
| C | A | T | A | M | A | R | A | N | | N | E | O | N | S |
| | | | L | A | Y | S | | M | A | D | | N | E | E |
| O | R | B | I | T | | | D | E | N | Y | | | | |
| G | U | I | N | E | A | | R | A | G | S | | L | E | G |
| R | I | N | G | | S | P | E | L | L | | L | O | L | L |
| E | N | D | | S | P | A | S | | E | N | A | B | L | E |
| | | | | L | E | N | S | | | O | C | E | A | N |
| S | E | T | | O | N | O | | S | T | A | R | | | |
| T | R | U | S | T | | R | A | C | E | H | O | R | S | E |
| R | A | L | P | H | N | A | D | E | R | | S | I | L | O |
| A | S | I | A | | O | M | E | N | S | | S | T | U | N |
| W | E | P | T | | W | A | S | T | E | | E | A | R | S |

## জর্মনিনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, নেদরলেন্দসনা পাকিস্তানবু ৫–১ দা থোইখ্রে

ODISHA HOCKEY MEN'S WORLD CUP BHUBANESWAR 2018



*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৯ঃ*

জর্মনিনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা পুলগী মকোক ওইদুনা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসনা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৫–১ দা থোইখ্রে।

জর্মনি অমসুং মালেসিয়ানা ঙসি শান্নখিবা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী পুল দি গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথুদুনা লাকখি।

শান্নবগী ২শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোই মাথিয়াস মুল্লরনা পেনাল্টি কোর্নর অমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ১৪ অমসুং ১৮শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোই খৃষ্টোফর রুহরনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোই রাজি রাহিমদা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। ২৮শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই নাবিল নুরগা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ২–৩ দা শোখদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩৯শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোই মার্কো মিল্টকাওনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাখি। ৪২শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী রাজি রাহিমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৩–৪ দা শোখদুনা লৈখ্রবা মতুং মেটচ লোইগদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা জর্মনিগী টিম গ্রামবুসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা পুলগী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল দিগী অনীশুবা মেটচতা নেদরলেন্দসনা পাকিস্তানবু য়াম্না লায়না পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। মেটচকী ৭শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই থিয়েরি ব্রিঙ্কমেননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। ৯শুবা মিনটতা পাকিস্তানগী শান্নরোই উমর ভুট্টানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী ১–১ দা মান্নখি।

২৭শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী ভেলেন্টিন ভর্গানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌরকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৭, ৪৭ অমসুং ৫৯শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোই বোব ভুগ দি, জোরিট ক্রুন অমসুং মিঙ্ক ৱিরদেন ভান দরনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু নেদরলেন্দসনা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

### *ইন্দিয়া’স টুর ওফ ওষ্ট্রেলিয়া*

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু থোইনবা রন ২১৯ লৌবগী মথৌ তারি



*এদিলেদ, দিসেম্বর ০৯ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুং এদিলেদতা শান্নরিবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী মরিনিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াবু ওষ্ট্রেলিয়ানা থোইনবগীদমক রন ২১৯ লৌবগী মথৌ তারি।

ঙরাং হুম্নিশুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ১৬৬ মাঙজিল থাদুনা লৈখি। ইন্দিয়ানা হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৫১ লৌদুনা লৈখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ১৬৬ মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারা অমসুং অজিনক্য রহানেনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৪১ অমসুং ১ লৌদুনা লৈখি।

ঙসি মরিশুবা নুমিৎ শান্নরকপদা ইন্দিয়ানা মখা তানা রন ১৫২ হাপচিল্লগা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৩০৭ লৌরগা লোইশিনখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি মখা তানা ইন্নিংস চথরকপদা চিটেশ্বর পুজারানা মখা তানা রন ৩০ হাপচিল্লগা মশাগী রন ৭১ শুরকপদা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা রোহিট শর্ম্মা শুপ্নগী রন ১ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ২৪৬ শুরকপদা ৱিকেট ৫ তুখি।

৭শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রিসব পন্টসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২৮ হাপচিন্নগা আওট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি।

মখা তানা চঙলকখিবা রবিচন্দ্রন আস্বিনসু শুপ্নগী রন ৫ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেন অমত্তা রন লৌবা ঙমখিদবদগী ইৎন্দয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৩০৭ লৌরমখি। ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা অজিনক্য রহানেনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১৪৭ মায়োক্লবদা রন ৭০ লৌরমখি।

অহানবা টেষ্ট অদু মায় পাক্লবগী রন ৩২৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরকপদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০৪ লৌদুনা লৈরিঙৈদা মরিনিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদগী ৫শুবা অমদি অরোইবা নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্লবগী রন ২১৯ লৌবগী মথৌ তারি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ৫০ য়ৌদ্রিঙৈদা বেটসমেন ২ আওট ওইখি। অহানবা ৱিকেটনা ইন্দিয়াগী বোল্লর রবিচন্দ্রন আস্বিননা লৌখি অদুগা অনীশুবা ৱিকেটনা মোহমদ সামীনা লৌখিবনি। ওপনর মার্কস হরিস রন ২৬ লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর আরোন ফিন্সসু রন ১১ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা বেটসমেন উসমান খৱাজা অমসুং পিটর হেন্দকোম্বসু মথংশিংনা রন ৮ অমসুং ১৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ঙসি মরিশুবা নুমিৎ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৪শুবা বেটসমেন সোন মার্স অমসুং ত্রেভিস হেদ মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৩১ অমসুং ১১ লৌদুনা লৈখি।


# Reena Physiotherapy Clinic

***YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST***

**Treatments**

- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

**Instruments**

- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি ।

Sunday Open 8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours 8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
**Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)**
**Phone No. 9774980552 / 8974282395**

SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18